ইলিগেল ওইবা মওংদা চঙশিল্লকখিবা য়ু এস ৱার সিপ চাইনিজ নেভিনা তান্থোকখ্রে

বৈজিং, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :

সাউথ চাইনা সিগী মনুং চনবা পরাক্সেল আইলেন্দদা লোগী ৱাংমদা চঙশিল্লকখিবা য়ু এস ৱার সিপ অমা চাইনিজ নেভিনা মফমদুদগী তান্থোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা চাইনিজ ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা মফমদুদা চঙলক্তনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

ইন্তরনেসনল কোর্টনা সাউথ চাইনা সিদা চাইনানা খূৎ থিংজিনবগী মথৌ তাদে হায়না ফোঙদোকখ্রবসু মফম অসি চাইনানা মখোয়গী শরুকনি হায়না হৌজিকসু ক্লেম তৌদুনা লৈরি। চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মীগী সাউদর্ন থিয়েটর কম্মান্দনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস ৱার সিপ অমা অয়াবা য়াওদনা পরাকেল আইলেন্দদা চঙশিল্লকখিবা অদু চাইনাগী সিক্যুরিটি অমদি সোভরেন্টিদা চাওনা শীংনবনি হায়না লৌই। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখা তানা অসিগুম্বা থবকশিং তৌবসি খুদক্তগী লেপকদবনি হায়খি।

অমরোমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট নেভিগী ৭ ফ্লিটনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস ৱারসিপ অদু পরাকেল আইলেন্দদা লাকখি হায়বা ৱাফম অদু অচুম্বনি। ইন্তরনেসনল লোগী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্তুনা আইলেন্দ অদুদা চঙশিনখিবনি। চাইনানা মখোয়গী ঈশিং ঙমখৈগী শরুক্তা য়ু এস ৱারসিপনা নীয়ম লান্না চঙশিল্লকখি হায়বা ৱাফম অদু অরানবনি। হায়রিবা আইলেন্দ অসিদা চাইনাগী রাইট লৈতে।

চাইনানা অরানবা মওংদা ঙমখৈ কয়া খোপচিন্নবা হোৎনরি হায়বদু ইন্তরনেসনল কম্যুনিটিশিংনা খঙনরবা ৱাফম অমনি। হায়রিবা আইলেন্দ অসিদা চাইনানা তৌনিংবতা তৌবা য়ারোই। পরাকেল আইলেন্দ অসি হৌজিক হৌজিক চাইনা য়াওনা ভিয়েটনাম, টাইৱান, ফিলিপিন্স, মালেসিয়া অমসুং ব্রুনৈ য়াওনা য়েৎনরিবা মফম অমনি। ইন্তরনেসনল কোর্টনা হায়রিবা মফম অসি চাইনাগী মফমনি হায়না শক খঙবা লৈত্রি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবসু চাইনানা মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরি।

ইন্তরনেসনল লোগী মতুং ইন্না হায়রিবা মফম অসিদা লৈবাক খুদিংমক্কা মশাগী থবক মতুং ইন্না চৎপদা অকায়বা লৈতে। য়ু এস ৱারসিপ অমা চাইনিজ নেভি সিপনা তান্থোরকখি হায়বা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি। পরাকেল আইলেন্দ নত্তবা অতোপ অতোপ্পা মফম কয়াসু সাউথ চাইনা সিদা লৈরি। হায়রিবা মফমশিং অসিসু লৈবাক কয়াগী মরক্তা চয়েৎনরিবা ঙাক্তনি। সাউথ চাইনা সিগী অয়াম্বা শরুক চাইনাগী কন্ট্রোল মখাদা লৈরবসু মফম খরদি মখোয়গীনি হায়বা অরানবা ওইগনি হায়রি।

প্রাসিদেন্ট জেকোভ জেলদা থাজিনখিবগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং হান্নদগী কনখৎলক্লে

কেপ টাউন, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :

করপসনগা মরী লৈননা রিজনেল কোর্ট অমনা থা ১৫ জেলগী ফাদোক পীখ্রবা সাউথ অফ্রিকাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জেকোভ জুমা জেলদা থাজিনখ্রবা মতুং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চঙশিল্লকপা খোঙজং হান্নদগী কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা জুমাগী সপোর্টরশিংনা লম্বীদা থোরক্তুনা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবক তৌবগী চাংসু হান্নদগী য়াম্না হেনগৎলক্লি হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সাউথ অফ্রিকান পুলিসনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা মশাগী চহী ৭২ রোম শুরবা প্রাসিদেন্ট জেকোভপু জেলদা থাজিনখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌরগা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। ঙসিসু মশীং য়াম্লবা মীয়াম হৌরক্তুনা কোর্টকী ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখি। পুলিসনা খোঙজংলোয়শিং অদুবু থিংনবা হোৎনবদা নাকল অনীগী মরক্তা মুক্লবা থোকখ্রবা মতুং পুলিসনা য়ামদ্রবদা মীওই ৬২ ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৯ দগী ২০১৮ ফাওবা সাউথ অফ্রিকাদা প্রসিদেন্ট ওইদুনা লাকখিবা জেকোভকী মথক্তা করপসনগা মরী লৈনবা চার্জ কয়া তৌরকখিবনি। মদুগী মতুং রিজনেল কোর্ট অমনা মহাকপু থা ১৫ গী ওইবা জেলগী ফাদোক পীখিবনি। মহাকপু জেলদা লৈহন্দনবা আপীল তৌরকখিবা ৱাফম অমা রিজনেল কোর্ট অমনা ইরাই নুমিত্তা রিজেক্ট তৌখি। মদুগী মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাওবা কোর্টতা অমুক হন্না আপীল চৎনবা শেম শাবা হৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট জুমাগী হৌরকফম ওইরিবা ক্বাজুলু-নাটাল প্রোভিন্সতগী মীয়ামগী খোঙজং অসি হৌরকখিবনি। খোঙজং অসি গোটে প্রোভিন্সতসু শন্দোরকখ্রে মসিদা নত্তনা সাউথ অফ্রিকাগী অচৌবা সিটি কয়াদসু কোর্টকী ৱায়েল অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রে।

লৈবাক অদুগী পুলিস ওফিসলশিংনসু মীয়ামগী ঈরাং অদুবু লাকশিন্নবগীদমক অকনবা মওংদা হোৎনরি। খোঙজংদা শরুক য়ারিবা মীয়াম্না লম্বীগী নাক য়েত্তা লৈরম্বা পোৎলমশিং য়ৈখায় থিনগায়বা থোকহনবখক্তা নত্তনা মরুওইবা সিটিশিংদা লৈরিবা অচৌ অচৌবা দুকানশিং লূট তৌবগী থবকসু চথবা হৌরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা পুলিসশিংনা তঙায়ফদনা কা হেনবা খোঙজং চঙশিল্লিবা খোঙজংলোয়শিং ফাবগী থবক চথবা হৌরকখিবনি হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা প্রসিদেন্ট জুমাবু শৌগৎপা মীওইশিং অমদি ওপোজিসন পার্টিদা লৈরিবা লুচিংবশিংনা হান্নগী প্রসিদেন্ট ফাজিনখিবগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিদা হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা মীওইশিংগী অচৌবা খূৎ য়াওরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। প্রসিদেন্ট জেকোভ জুমাবু শৌগৎপা মীওইশিংনসু মহাকপু অথুবা মতমদা থাদোক্লবা মরী লৈনবশিংদা দিমান্দ তৌরক্লি।

শিবগী চৈরাক মতম খরা হোল্ড তৌদুনা থমখ্রে

কাইরো, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :

ইজিপ্তুতা অথিংবা থমখ্রবা মুস্লিম ব্রদর হুদকী মেম্বর ১০ শিবগী চৈরাক পীখিবা অদু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্টনা মতম খরা হোল্ড তৌদুনা থমখ্রে হায়রি।

মুস্লিম ব্রদরহুদগী মেম্বরশিংনা লৈবাক অসিদা অরানবা থবক কয়া চৎখি হায়বগীদমক মখোয়বু লোনা য়াদবা গ্রুপ অমনি হায়না ইজিপ্ত লৈঙাক্লা লাউথোকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১১ দা ইজিপ্তুকী জেল অমদগী প্রিজিনর ২০,০০০ লোম নান্থোকহনখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা মুস্লিম ব্রদরহুদকী মেম্বরশিংনা ফোরেন অর্মদ গ্রুপশিংগা মান্নরগা থবক তৌখি হায়বগী খুদম চপ চানা ফংলবা মতুং গ্রুপ অদুগী মকোক থোংবা কয়া য়াওনা মেম্বর কয়া ফাজিন্দুনা থমখিবনি। মখোয়বু ক্রিমিনেল কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা মতুং ফাদোকশিং অদুনা আপীল তৌরকপদগী লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্টনা মুস্লিম ব্রদরহুদকী মেম্বরশিংবু দেথ সেন্তেন্স অদু হোল্ড তৌদুনা থমখিবনি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট মোইজে হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং রিক্রুইট তৌখিবা হাইতিয়ন সিটিজন অমা পুলিসনা ফারে

হাইটি, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :

মমাং চয়োলদা হাইটিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জোভেনেল মোইজেবু মশাগী ময়ুমদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপদা চেন্নখিবা মীওইশিং অদুবু রিক্রুইট তৌখিবনি হায়বা হাইটিয়ন সিটিজন অমা ঙসি পুলিসনা ফাবা ঙমখিবগা লোয়ননা পোলিটিকেলগা মরী লৈনবা থবক থৌরম খরা মায় পাক্লা চথনবগীদমক প্রসিদেন্ট অদুবু অতম্না হাৎখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা হাইটিয়ন নেসনল পুলিসকী মকোক থোংবা লিওন চার্লসনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী সিটিজন অমনা হান্নগী প্রসিদেন্ট মোইজেবু হাৎপদা অচৌবা শরুক য়ারম্বা অসি য়াম্নমক লাইবকথিবা থৌওং অমনি। মশাগী চহী ৬৩ রোম শুরবা হাইটিয়ন সিটিজন খৃষ্টিয়ন মানুয়েল সেনন মমাংথাদা লৈবাক অসিদা অমুক লাকখিবনি। মহাক লাকখ্রবা মতুং কলম্বীয়ন খরসু লৈবাক অসিদা চঙশিল্লকখি।

হাইটিয়ন মিনিষ্টর কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা চার্লসনা মখা তানা হান্নগী প্রসিদেন্ট মোইজেবু ফোরেনরশিং অদুনা কিদনেপ তৌনবা হোৎনখিবনি। অদুমওইনমক ফোরেনরশিং অদুনা মহাকপু হিংনা ফাদুনা পুবা ঙম্লরোই খঙবদগী নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। মহাক হাৎখ্রবা মতুং হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হাইটিয়ন পুলিসনা কলম্বীয়ন সিটিজন ১৮ ফাখিবনি।

মখোয় অদুবু ফারবা মতুং ৱাহং পাউহং চথবদা সেনন হায়রিবা হাইটিয়ন সিটিজন অসিনা মী ২৬ না শাবা টিম অমা রিক্রুইট তৌখি হায়বা খঙবা ঙমখিবনি। মীহাৎ অদুগী মরু ওইবা মাষ্টরমাইন্দ অনীগা সেননগা ৱারী শান্নখিবগী খুদমসু ফংলে হায়রি। অদুমওইনমক মাষ্টরমাইন্দ অনী অদুগী মতাংদদি মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি।

মতেং পাংনবগীদমক য়ু এস টিম হাইটিদা চৎখ্রে: পেন্টাগোন

ৱিলমিংটন, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :

হাইটিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট মোইজে হাৎখিবগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা থিগৎপগী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংনবগীদমক য়ু এস সিক্যুরিটি টিম অমসুং লো ইনফোর্মেসমেন্ট এক্সপার্টশিং হাইটিদা চৎখ্রে হায়না পেন্টাগোনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

দিপার্টমেন্ট ওফ হোম এন্দ সিক্যুরিটি অমসুং এফ বি আইগী মেম্বরশিংনা লুচিংলগা টিম অদু হাইটিদা চৎখিবনি হায়না পেন্টাগোনগী ৱাঙাঙলোয় জোন কিরবিনা ফোঙদোরক্লি। কিরবিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হাইটিগী প্রসিদেন্ট হাৎখিবগী থৌদোক অদুদা মপুং ফানা ত্রেন তৌরবা অমেরিকান অনী য়াওই হায়না হাইটিয়ন পুলিসনা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে।

অসিগুম্বা তমথিরবা থৌদোক অসিদা অমেরিকান অনী চেন্নে হায়রিবা অসি য়ু এসকী ওইনদি য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা অচুম্বা খঙনবগীদমক য়ু এস টিমনা হাইটিনা হায়জরকখিবা ৱাফম য়াখিবগা লোয়ননা থিজিনবদা শরুক য়ানবগীদমক এক্সপার্ট টিম অদু হাইটিদা চঙশিনখিবনি।

য়ু এস টিম অমা হাইটিদা থুংখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রবসু য়ু এসকী অখন্নবা টিম অদুনা মতৌ করম্না থবক তৌগদগে হায়বগী মতাংদদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি। অদুমওইনমক য়ু এসনা হাইটিদা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী অয়াবা লৌরবা মতুং মপুং ফানা ত্রেন তৌরবা অখন্নবা সী বি আই টিম অমা হাইটিদা থাজিনখিবনি। অতেনবা মতমগী মনুংদা য়ু এস টিমগী মতেংগা লোয়ননা হাইটিয়ন পুলিসনা মায় পাক্লা ইনভেষ্টিগেসন পাঙথোকপা ঙমগনি হায়রি।

ৱাকৎ তাবিনবা ক্যুবান ওথোরিটিদা তকশিনখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :

ক্যুবাদা হৌজিক হৌজিক লৈবাক অদুগী মীয়াম্না তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তৌরদুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অদুবু মতেং পাংবা ওইনা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দ অদু পীনবগীদমক ক্যুবান ওথোরিটিশিংদা তকশিনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবদা ক্যুবাগী মীয়ামগীদমক্তা য়ু এসনা মতম লৈবা খুদিংমক্তা লেপ্লি। লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মখোয়গী নীং তম্বা অমদি কোভিদ পেন্দমিক্লা পীরিবা চৈথেং অসিদগী ঙাকথোক্লবা তোঙান তোঙানবা মখলগী দিমান্দশিং তৌদুনা খোঙজং চঙল্লিবা অসি মরম চাই।

ক্যুবান ওথোরিটিগী থবক থৌরমশিংদা য়ু এসনা খূৎ থিংজিনবগী হক লৈতে। অদুমওইনমক মীয়ামগী য়েংলগা ক্যুবান ওথোরিটিনা মীয়ামগী ৱাকৎ তাবিনবা তকশিনখিবনি। অমরোমদা ক্যুবাগী প্রসিদেন্ট মিগোৱেল দিয়াস-কেনেলনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসনা লৈবাক অসিগী মথক্তা ইকনমিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা অথিংবা কয়া থমজিল্লকপদগী লৈবাক অসিদা চরাংনবশিং থোক্লকখিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

#	Country, Other	Total Cases	New Cases	Total Deaths	New Deaths	Total Recovered	Active Cases
	World	187,620,637	+373,545	4,049,097	+6,502	171,580,753	11,990,787
1	USA	34,732,753	+6,642	622,845	+27	29,244,103	4,865,805
2	India	30,873,907	+37,676	408,792	+720	30,007,200	457,915
3	Brazil	19,089,940	+20,937	533,546	+597	17,588,312	968,082
4	France	5,812,639	+4,256	111,325	+4	5,646,477	54,837
5	Russia	5,783,333	+25,033	143,002	+749	5,200,219	440,112
6	Turkey	5,481,555	+5,261	50,229	+37	5,349,344	81,982
7	UK	5,121,245	+31,772	128,425	+26	4,358,554	634,266
8	Argentina	4,647,948	+8,850	98,781	+280	4,282,904	266,263
9	Colombia	4,511,960	+19,423	112,826	+528	4,254,558	144,576
10	Italy	4,271,276	+1,391	127,775	+7	4,102,420	41,081
11	Spain	3,937,192		81,003		3,635,907	220,282
12	Germany	3,743,713	+575	91,767	+8	3,634,400	17,546
13	Iran	3,373,450	+17,664	85,859	+165	3,025,911	261,680
14	Poland	2,880,821	+66	75,160	+1	2,652,505	153,156
15	Mexico	2,586,721	+9,581	234,907	+232	2,041,418	310,396
16	Indonesia	2,527,203	+36,197	66,464	+1,007	2,084,724	376,015
17	Ukraine	2,241,043	+290	52,597	+5	2,177,293	11,153
18	South Africa	2,195,599	+16,302	64,289	+151	1,922,601	208,709
19	Peru	2,080,777	+1,962	194,387	+138	N/A	N/A
20	Netherlands	1,728,438	+9,318	17,765		1,652,733	57,940
21	Czechia	1,669,349	+158	30,331		1,637,121	1,897
22	Chile	1,587,478	+2,318	33,877	+110	1,535,072	18,529
23	Philippines	1,472,857	+5,748	25,915	+99	1,397,107	49,835
24	Iraq	1,429,362	+7,616	17,548	+33	1,306,454	105,360
25	Canada	1,420,531	+253	26,436	+8	1,388,796	5,299
26	Belgium	1,093,700		25,198		1,048,162	20,340
27	Sweden	1,092,540		14,604		1,069,299	8,637
28	Romania	1,081,236	+26	34,217	+1	1,045,351	1,668
29	Bangladesh	1,021,189	+11,874	16,419	+230	874,501	130,269
30	Pakistan	973,284	+1,980	22,582	+27	913,203	37,499
31	Portugal	907,974	+2,323	17,156	+8	845,516	45,302
32	Israel	846,134	+323	6,438	+3	835,661	4,035
33	Malaysia	836,296	+9,105	6,158	+91	742,297	87,841
34	Japan	818,683	+2,451	14,948	+15	784,992	18,743
35	Hungary	808,437		30,004		741,083	37,350
36	Jordan	756,923	+569	9,836	+10	739,948	7,139
37	Serbia	717,549	+69	7,072	+2	708,843	1,634
38	Switzerland	704,943		10,898		688,448	5,597
39	Nepal	655,449	+1,237	9,382	+20	619,494	26,573
40	Austria	651,612	+159	10,723		638,889	2,000
41	UAE	650,220	+1,518	1,866	+6	628,290	20,064
42	Lebanon	547,811	+314	7,875	+2	534,296	5,640
43	Morocco	542,462	+1,057	9,369	+9	524,826	8,267
44	Saudi Arabia	501,195	+1,112	7,976	+13	482,414	10,805
45	Tunisia	497,613	+6,592	16,388	+144	393,305	87,920
46	Ecuador	468,346	+370	21,830	+16	437,167	9,349
47	Kazakhstan	454,825	+3,695	4,681	+34	412,007	38,137
48	Bolivia	453,595	+919	17,200	+27	378,733	57,662
49	Greece	438,809	+1,464	12,768	+5	409,066	16,975
50	Paraguay	437,719	+1,095	13,918	+51	393,333	30,468

কোভিদ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা মীওই কয়া চাবা ফংহন্দ্রে

পেরিস, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :

হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা মহৌশাগী য়ৈখাই থিনগাইবা য়াওনা অতোপ্পা থৌদোক ৱাথোকশিংনা মরম ওইরগা মীওই কয়া চাবা ফংহনখিদ্রে। অদুমওইনমক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা তেল্লবা মতমসিদা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা অকনবা চৈথেং পীবগা লোয়ননা হান্না লৈরম্বা চাংদগী চাবা ফংদবা মীগী মশীং য়াম্না হেনগৎলকখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মালেমদা চাবা ফংদবগী অৱাবা কোকহন্নবা মালেমগী লৈবাক কয়ানা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুমওইনমক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা মালেমগী লৈবাকশিংনা হোৎনরিবা থবক থৌওংশিং অসি অরেম্বদা তাহল্লবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা মীওই কয়া শুফম নোমফম লৈরক্তবা অমদি য়ুমদগী মপান থোকপা য়ারক্তবনা মরম ওইরগা ফীভম অসি য়ৌরকখিবনি।

মমাং চহীদা মালেমদা লৈরিবা মীয়ামগী অপূনবা মশীংগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোমদি চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। অদুমওইনমক হায়রিবা অসিদগী হন্দক্কী চহীনা অমুক্কা হেন্না চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরবা য়ানা লৈরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ না অকনবা চৈথেং পীরকপদগী থাইলেন্দগী ইকনমিদা চাওনা অকায়বা লাকখ্রে

বেঙ্কোক, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :

থাইলেন্দদা কোভিদ-১৯ না অমুক হন্না অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী ইকনমিদা চাওনা অকায়বা লাকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা থবক ফংদবগী চাংসু হান্নদগী য়াম্না হেনগৎলকখ্রে।

বেঙ্কোককী মরু ওইবা ইনকম অসি সোপ্পিং মোলশিং, স্পাশিং, মাসাস সেন্তরশিং অমসুং ব্যুটি ক্লিনিকশিংদগী লাকপনি। অদুমওইনমক লৈবাক অদুদা লৈরিবা অসিগুম্বা সেন্তরশিং অয়াম্বা কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা থিংজিনখিবদগী লৈবাক অদুগী ইকনমিদা চাওনা অকায়বা পীরকখিবনি। গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংনসু ওফিসতা চত্তুনা থবক শুবগী মহুত্তা মশা মশাগী য়ুমদা লৈদুনা থবক শুরি।

লৈবাক অদুদা অহিংগী মতমদা কর্ফিয়ু থমজিনখিবনা মরম ওইরগা মরু ওইরিবা শেন্দানফম ওইরিবা রেষ্টুরেন্টশিং থোঙ থিংবা হৌখিবনি। চহী অমরোম হেন্না লৈবাক অদুদা নুমিদাংগী মতমদা মথৌ তৌরম্বা রেষ্টুরেন্ট অমদি হোটেল কয়া থিংজিনখিবনা মরম ওইরগা হায়রিবা মফমশিং অদুদা থবক তৌরম্বা মীওই কয়া থবক্তগী তোক্তুনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা মখোয়গী হিংবগী পুন্সিদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োকনহল্লে।

হৌজিক হৌজিক থাইলেন্দদা হেন্না মীপায়নিংঙাই ওইরিবদি ইন্দিয়াদা ইহান হান্না আইদেন্টিফাই তৌখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা চৈথেং পীবা হৌরকখিবা অসিনি। মখা তানা লায়না লাইচৎ অসিনা লৈবাক অসিদা চৈথেং পীদুনা লৈরবদি হৌজিক লৈরিবা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম অসিদগী হেনগৎলক্তুনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। থালেন্দ গভর্ণমেন্টনসু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অমুক হন্না শন্দোরক্লিবা অদু থিংনবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। অদুবু মীয়াম্না লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকা মরী লৈননা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং নুমিদাংগী মতমদা ঙাক্লা চত্তবনা মরম ওইরগা ভাইরস মখল অসি কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি হায়না গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

টালিবানশিংনা অফঘান সিটি ঘজনি কোয়শিনখিবগা লোয়ননা য়ূম কয়াদা চঙশিন্দুনা মখোয়গী লৈফম ওইশিনখ্রে

কাবুল, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :

সেন্ট্রেল অফঘানিষ্টানদা লৈবা ঘজনি সিটি টালিবান ফাইটরশিংনা কোয়শিনখিবগা লোয়ননা সিটি অদুদা লৈরিবা য়ুমশিংদা চঙশিন্দুনা মখোয়গী লৈফম ওইশিনখিবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা মখা তানা এটেক চথনবা শেম শাবা হৌখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না অফঘানগী মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়া টালিবান ফাইটরশিংনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রবা মতুং অফঘনিষ্টানগী মরু ওইবা সিটি কয়াসু তপ্পা তপ্পা ফাইটরশিংনা ওকুপাইদ তৌবা হৌরক্লি। করিগুম্বা ঘজনি টালিবানশিংনা মপুং ফানা ওকুপাইদ তৌবা ঙমখ্রবদি অফঘানিষ্টান পুম্বা অতেনবা মতমগী মনুংদা টালিবান ফাইটরশিংনা কন্ট্রোল তৌবা য়ানা লাক্লগনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সনসু অকনবা মওংদা টালিবান ফাইটরশিংগা লান্থেংনরি। অদুমওইনমক খূৎশু খূৎলাই মতিক চাদবনা মরম ওইরগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

ঘজনি সিটি অসি কাবুল অমসুং কনধাহার সিটি অনী ফাওনহল্লিবা অফঘানগী খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা মফম অমনি। মফম অসিদা চঙশিল্লক্লিবা টালিবান ফাইটরশিং অসিবু তকথোক্লবগীদমক গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। হৌখিবা নুমিৎ মরিনিরোম অসিদা টালিবান ফাইটরশিংনা কনধাহার সিটিগী নোংচুপ থংবা শরুক্তগী অকনবা মওংদা এটেক চথরি। অফঘান সিটিগী ফোর্সশিংগা লোয়ননা স্পেসল ফোর্সশিংনা টালিবানশিংবু কনধাহারদগী তকথোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনরি।

তঙাইফদ্রবা মতমদা শীজিন্ননবা থম্বা এলিট কম্মান্দোশিংসু অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা টালিবান ফাইটরশিংগী মায়োক্তা শীজিন্নবা হৌখ্রে। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা তাজিকিষ্টান ঙমখৈ মনাক নক্লা লৈবা শরুকশিংদা গভর্ণমেন্ট সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এয়রষ্ট্রাইককী মতেংগা লোয়ননা টালিবান ফাইটরশিং তকথোকপা হৌখ্রে। মমাং চয়োলদা টালিবান ফাইটরশিংনা বাদগিষ্টকী নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা প্রোভিন্সিয়েল গভর্ণরগী ওফিস কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখি। অদুমওইনমক গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা মফমদুদা স্পেসল ফোর্সশিং মতম চানা দিপ্লোয় তৌবা ঙমখিবদগী টালিবান ফাইটরশিংগী টর্গেট মায় পাকহনখিদ্রে হায়রি। পনবা য়াবদি অফঘানদগী য়ু এসনা লুচিংবা ত্রুপশিং লৌথোকখ্রবা মতুং টলিবান ফাইটরশিংনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মথক্তা অকনবা মওংদা এটেক চথুদুনা লৈবাক অদুবু মখোয়গী মখাদা থম্নবা হোৎনরকখিবনি।